ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মার্চ ০৬, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৩৪শুবা মশীং

হৌজিক্তদা লো লৈরকপ্রা
নখোয়না তৌবা শাবা’মা

মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসন লৈরক্লিবসি ঙসি-ঙরাংতা নত্তে, কুইরে। নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী লাকখৎলগা থিরবদি অমুক্কসু হেন্না কুইরে। অদুবু হৌজিক্কী মতমগী পুলিসতি অদুঙৈগী ‘দারোগা’ দু নৎত্রে। হৌজিক লৈরিবা ষ্ট্রেঙথসিনা পোষ্টেট ষ্ট্রেঙথমক য়ৌবা ঙমদ্রবসু দিপার্টমেন্টসিগী মথৌ তাবা য়ুনিট ময়াম লৈরে। ষ্ট্রেঙথ য়াম্লে, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইক্কিপমেন্টতা চপ চাবা মোর্দন পুলিস হায়বদুমক ওইরে হায়বমক য়ারে। অদুবু লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টিনেন্স, কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন্স (সী আই ওপস) অমসুং লো এনফোর্স তৌবগী থবক্তদি খূৎপায়নরিবা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী), ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী) য়াওনা এক্ট, রুল, লো পূন্নমক্কী প্রোভিজন মতুংইন্না তেং-তেং লাউনা খুরৌ অমত্তা চেলহন্দনা তৌফম থোকপশিং তৌবা ঙমদবগুম তৌরক্লি। তৌদে হায়বা নত্তে, তৌই। অদুবু মোর্দন পুলিসমেন অমা ওইনা মনীং-তম্না চপ-চানা লোগী প্রোভিজনশিং থবক্তা ওন্থোরকপদদি অঙম-অথৌ লৈঙাক্লোইশিংদা ঙাথু-থেংথুরগা শোন্দম-নান্দম্নুনা তৌরকপা মানবশিং থেংনরকপা য়াওই। মসিদি মণিপুর পুলিসকী লংলবা মায়থোঙদা হামুক তৈশিনবগুম থোক্কনি হায়নীংই। অদুবু ফীভমসি মানবা মওংশিং হেক-হেক থেংনরক্লিবসিবু মতম-মতমগী লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্লোইশিংনা লোয়শঙ অসিবু লান্না শীজিন্নবীবদগী ওইগদ্রা নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অসিগী রেঙ্ক-এন্দ-ফাইলদা লৈরিবশিংগী মরক্তগী মশাগী প্রোফেসনগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা ঙমজদবশিং য়াওরকপদগীরা? প্রমোসনগী অমসুং পোষ্টিংগী মিকানবদা অঙম্বশিংগী মখোঙদা তুরুবা য়াওবদগী ওইগদৌরিব্রা? তশেংনমক ফীভমসি ওইরম্লবদি চুমদে। ফৌমান খন্দোকহৌবা অমসুং চেঙ চেঙ্কোক অমা মাঙথোরক্কদবা চগ্রিং তোঙান্না থমহৌবনা ফগনি। ইশম-শম্বদা পুলিসকী ‘মোরাল’ দা লাই ওইরবসু ফিজি-ফিনা নেৎহল্লোইদবনি। লোয়শঙ অসিবু মরিং-মরাংহনবগী থবক কৈদৌনুংদা তৌরোইদবনি। মতমদুত্তদা ‘পুলিস পব্লিক রিলেসন্স’ হায়বদু মপাঙ্গল কন্না লৈগদবনি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চখরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদদি হৈনীংলগা কৈমাঙ ফম্বা অদুগা হৈনীংদ্রগা কৈনীং ফম্বগী থৌদোক খরদি লৈখ্রবা মাল্লেদা!! মমাঙঙৈদা অমুক্তা তারমদবা ‘কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপীয়ু, চেন্নবা মীওই ফাবিয়ু, চার্জশীট থুনা থাগৎপীয়ু অমসুং মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীয়ু’গা হায়বা দিমান্দশিং তোয়না তৌনরক্লিবসিবু লো চৎনহল্লিবা লোয়শঙদবু হায়বা য়াবা, হায়ফম থোকপা ৰারা? ৰাফমশিংসি করিদগী, করি শোয়বদগী থোরক্লিবনো? মসিগী মরমশিং লোয়শঙসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা থিদোক্লগা মতুংদা লৈরক্তনবা হোৎনগদবনি। হৌজিকসু অদুম্মঙাই, খুল ঙাক্লক্লিবা নহা/মীওই কয়া থোরক্লিবসিবু হরাও-হরাও কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূ অমসুং বোম্না পান্দুনা শিরুরগে হায়না থোরকপা ওইরমগদ্রা? কুকি মিলিটেন্টশিংনা লেপ্তুনা চখরকপা হিংচা-য়াইতম্বগী তমথীরবা লানগী মৈরি অমসুং মৈশাদগী মফূরুপ-মরমদম কন্ননবা শিগনি হায়বা কাউথোক্লরগা থোক্লরকপা নৎত্রা?লানসি লোইশিনখ্রবা’মা নাখে শেংলনি, ঈং-চিক্লনি। খুল ঙাকপগী মথৌ তাদ্রবদি খুলঙাকপা কোকথোং অমসু থোরক্লরোই। অদুবু লোইশিন্দ্রিবনিনা লানদা মথৌ তাবা খূৎশু-খূৎলায়, নোংমৈ মরূ অমদি গাড়ীনচিংবা অফং-অফংবা লৌননবা হোৎনরকপদি মশানা তাবনি। লোনা য়াদবা অমসুং লোগী ৰাংমদা লৈবা থবকশিং চখরকপদা পূক্লিং থৌগৎপগী ৰাফম নত্তে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা চখরকপা লানবু খুঞ্জা খুল ঙাকপশিংনা মায়োক্লহল্লিবা করিগীনো? মীয়ামগী পূন্সি অমসুং মখোয়গী মরল-মথুমশিং ঙাক-শেনবসিবু পুলিসকী মথৌনি হায়দাইনে? খুল ঙাকপশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিং মায়োক্লরকপা লানফমদা চঙশিনদুনা লানদু ঐখোয়না মায়োক্লগদবনি হায়দুনা খুল ঙাকপশিং য়াওহল্লমদ্রবদি ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৪গী নুমিদাংদা চীংঙারেল টেজপুরগী ৫শুবা আই আর বিদগী য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং মরূশিংলৌখিবগী থৌদোক থোক্লমগদ্রা হায়বনিদা। খূৎশু-খূৎলায় ওইগেরা, গাড়ী ওইগেরা মখল অমত্তগী খুলঙাকপশিংবু লানফম খুদিংমক্তা শরুক য়াহন্দ্রে, নোংমৈ মরূ ১ ফাওবা কাপহন্দ্রে, পুলিসনা লোইনমক তৌখ্রে হায়রগদি মখা তানা নোংমৈ অমসুং গাড়ীশিং লৌবগী থৌদোক থোরক্লরোই হায়বনি। থা ১০ য়ৌনা চঙশিল্লক্লবা লানসিদা খুল ঙাকপশিং শিবা য়াবা শিখিবদগী খোয়শাওনদুনা খা চিক্তুনা লৈরিঙৈদতা লো চোংথোরকপ্রা হায়বনি। শাওরে হায়দুনা লো থুগাইগদবনি হায়বা নত্তে। অকনবা ঈশিংগী ঈচেলদি লম্মখাংদা থিংবগী মহুত্তা চেন্থরকফমদগী মাঙজৌননা থিংজিল্লম্লবদি ময়ামসি থোরক্লম্লোই হায়বনি।

ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯗꯥ ꯂꯣ ꯂꯩꯔꯛꯄꯔꯥ
ꯅꯈꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯁꯥꯕꯥ'ꯃꯥ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯑꯣꯔꯒꯅꯥꯏꯖꯦꯁꯟ ꯂꯩꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤ ꯉꯁꯤ-ꯉꯔꯥꯡꯇꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯀꯨꯏꯔꯦ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯄꯥꯜꯂꯤꯉꯩꯗꯒꯤ ꯂꯥꯛꯈꯠꯂꯒꯥ ꯊꯤꯔꯕꯗꯤ ꯑꯃꯨꯛꯀꯁꯨ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯀꯨꯏꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛꯀꯤ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯄꯨꯂꯤꯁꯇꯤ ꯑꯗꯨꯉꯩꯒꯤ 'ꯗꯥꯔꯣꯒꯥ' ꯗꯨ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯦ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯁ꯭ꯠꯔꯦꯡꯊꯁꯤꯅꯥ ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯁ꯭ꯠꯔꯦꯡꯊꯃꯛ ꯌꯧꯕꯥ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯥ ꯌꯨꯅꯤꯠ ꯃꯌꯥꯝ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯁ꯭ꯠꯔꯦꯡꯊ ꯌꯥꯝꯂꯦ, ꯏꯟꯐ꯭ꯔꯥꯁ꯭ꯠꯔꯀꯆꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯛꯀꯤꯞꯃꯦꯟꯇꯇꯥ ꯆꯞ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯣꯗꯔꯟ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯃꯛ ꯑꯣꯏꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯃꯛ ꯌꯥꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯣ-ꯑꯦꯟꯗ-ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯃꯦꯟꯇꯤꯅꯦꯟꯁ, ꯀꯥꯎꯟꯇꯔ ꯏꯟꯁꯔꯖꯦꯟꯁꯤ ꯑꯣꯄꯔꯦꯁꯟꯁ (ꯁꯤ ꯑꯥꯏ ꯑꯣꯞꯁ) ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣ ꯑꯦꯟꯐꯣꯔꯁ ꯇꯧꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯇꯗꯤ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯔꯤꯕꯥ ꯀ꯭ꯔꯤꯃꯤꯅꯦꯜ ꯄ꯭ꯔꯣꯁꯤꯖꯔ ꯀꯣꯗ (ꯁꯤ ꯑꯥꯔ ꯄꯤ ꯁꯤ), ꯏꯟꯗꯤꯌꯟ ꯄꯦꯅꯥꯜ ꯀꯣꯗ (ꯑꯥꯏ ꯄꯤ ꯁꯤ) ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯑꯦꯛꯠ, ꯔꯨꯜ, ꯂꯣ ꯄꯨꯟꯅꯃꯛꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯚꯤꯖꯟ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯇꯦꯡ-ꯇꯦꯡ ꯂꯥꯎꯅꯥ ꯈꯨꯔꯧ ꯑꯃꯇꯇꯥ ꯆꯦꯜꯍꯟꯗꯅꯥ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯁꯤꯡ ꯇꯧꯕꯥ ꯉꯝꯗꯕꯒꯨꯝ ꯇꯧꯔꯛꯂꯤ꯫ ꯇꯧꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯇꯧꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯣꯗꯔꯟ ꯄꯨꯂꯤꯁꯃꯦꯟ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯅꯤꯡ-ꯇꯝꯅꯥ ꯆꯞ-ꯆꯥꯅꯥ ꯂꯣꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯚꯤꯖꯟꯁꯤꯡ ꯊꯕꯛꯇꯥ ꯑꯣꯟꯊꯣꯔꯛꯄꯗꯗꯤ ꯑꯉꯝ-ꯑꯊꯧ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯥ ꯉꯥꯊꯨ-ꯊꯦꯡꯊꯨꯔꯒꯥ ꯁꯣꯟꯗꯝ-ꯅꯥꯟꯗꯝꯅꯨꯅꯥ ꯇꯧꯔꯛꯄꯥ ꯃꯥꯟꯕꯁꯤꯡ ꯊꯦꯡꯅꯔꯛꯄꯥ ꯌꯥꯎꯏ꯫ ꯃꯁꯤꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄꯨꯂꯤꯁꯀꯤ ꯂꯡꯂꯕꯥ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡꯗꯥ ꯍꯥꯃꯨꯛ ꯇꯩꯁꯤꯟꯕꯒꯨꯝ ꯊꯣꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯃꯥꯟꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯁꯤꯡ ꯍꯦꯛ-ꯍꯦꯛ ꯊꯦꯡꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯃꯇꯝ-ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯣꯌꯁꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕꯤꯕꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯔꯦꯡꯛ-ꯑꯦꯟꯗ-ꯐꯥꯏꯂꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦꯁꯅꯒꯤ ꯏꯟꯇꯤꯒ꯭ꯔꯤꯇꯤ ꯉꯥꯛꯄꯥ ꯉꯝꯖꯗꯕꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯔꯛꯄꯗꯒꯤꯔꯥ? ꯄ꯭ꯔꯃꯣꯁꯅꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯀꯥꯟꯕꯗꯥ ꯑꯉꯝꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯈꯣꯡꯗꯥ ꯇꯨꯔꯨꯕꯥ ꯌꯥꯎꯕꯗꯒꯤ ꯑꯣꯏꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯕꯗꯤ ꯆꯨꯝꯗꯦ꯫ ꯐꯧꯃꯥꯟ ꯈꯟꯗꯣꯛꯍꯧꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯦꯡ ꯆꯦꯡꯀꯣꯛ ꯑꯃꯥ ꯃꯥꯡꯊꯣꯔꯛꯀꯗꯕꯥ ꯆꯒ꯭ꯔꯤꯡ ꯇꯣꯡꯥꯟꯅꯥ ꯊꯝꯍꯧꯕꯅꯥ ꯐꯒꯅꯤ꯫ ꯏꯁꯝ-ꯁꯝꯕꯗꯥ ꯄꯨꯂꯤꯁꯀꯤ 'ꯃꯣꯔꯥꯜ' ꯗꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ ꯐꯤꯖꯤ-ꯐꯤꯅꯥ ꯅꯦꯠꯍꯜꯂꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯣꯌꯁꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯃꯔꯤꯡ-ꯃꯔꯥꯡꯍꯟꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯀꯩꯗꯧꯅꯨꯡꯗꯥ ꯇꯧꯔꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯇꯝꯗꯨꯇꯇꯗꯥ 'ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯛ ꯔꯤꯂꯦꯁꯟꯁ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨ ꯃꯄꯥꯡꯒꯜ ꯀꯟꯅꯥ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ꯫

ꯑꯗꯨꯝ ꯑꯣꯏꯅꯃꯛ ꯍꯧꯈꯤꯕꯥ ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯛꯂꯒꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯈꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯗꯤ ꯍꯩꯅꯤꯡꯂꯒꯥ ꯀꯩꯃꯥꯡ ꯐꯝꯕꯥ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯍꯩꯅꯤꯡꯗ꯭ꯔꯒꯥ ꯀꯩꯅꯤꯡ ꯐꯝꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯈꯔꯗꯤ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯥꯜꯂꯦꯗꯥ!! ꯃꯃꯥꯡꯉꯩꯗꯥ ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯇꯥꯔꯃꯗꯕꯥ 'ꯀꯦꯁ ꯔꯦꯖꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯂꯧꯈꯠꯄꯤꯌꯨ, ꯆꯦꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯐꯥꯕꯤꯌꯨ, ꯆꯥꯔꯖꯁꯤꯠ ꯊꯨꯅꯥ ꯊꯥꯒꯠꯄꯤꯌꯨ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯔꯥꯂꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯆꯩꯔꯥꯛ ꯄꯤꯌꯨ'ꯒꯥ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯗꯤꯃꯥꯟꯗꯁꯤꯡ ꯇꯣꯌꯅꯥ ꯇꯧꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯂꯣ ꯆꯠꯅꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯂꯣꯌꯁꯡꯗꯕꯨ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ, ꯍꯥꯌꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯋꯥꯔꯥ? ꯋꯥꯐꯃꯁꯤꯡꯁꯤ ꯀꯔꯤꯗꯒꯤ, ꯀꯔꯤ ꯁꯣꯌꯕꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯣ? ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯔꯃꯁꯤꯡ ꯂꯣꯌꯁꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯀꯣꯛ ꯊꯣꯡꯕꯥ ꯑꯣꯐꯤꯁꯂꯁꯤꯡꯅꯥ ꯊꯤꯗꯣꯛꯂꯒꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯂꯩꯔꯛꯇꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯁꯨ ꯑꯗꯨꯝꯃꯉꯥꯏ, ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯅꯍꯥ/ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯊꯣꯔꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯍꯔꯥꯎ-ꯍꯔꯥꯎ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯥꯞꯂꯛꯄꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯕꯣꯝꯅꯥ ꯄꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯔꯨꯔꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ? ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯅꯥ ꯂꯦꯞꯇꯨꯅꯥ ꯆꯈꯔꯛꯄꯥ ꯍꯤꯡꯆꯥ-ꯌꯥꯏꯇꯝꯕꯒꯤ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕꯥ ꯂꯥꯅꯒꯤ ꯃꯩꯔꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯩꯁꯥꯗꯒꯤ ꯃꯐꯨꯔꯨꯞ-ꯃꯔꯃꯗꯝ ꯀꯟꯅꯅꯕꯥ ꯁꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯂꯔꯒꯥ ꯊꯣꯛꯂꯔꯛꯄꯥ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯈ꯭ꯔꯕꯥ'ꯃꯥ ꯅꯥꯈꯦ ꯁꯦꯡꯂꯅꯤ, ꯏꯡ-ꯆꯤꯛꯂꯅꯤ꯫ ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯈꯨꯂꯉꯥꯛꯄꯥ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯑꯃꯁꯨ ꯊꯣꯔꯛꯂꯔꯣꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯗ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯂꯥꯟꯗꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯥ ꯈꯨꯠꯁꯨ-ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ, ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨ ꯑꯃꯗꯤ ꯒꯥꯔꯤꯅꯆꯤꯡꯕꯥ ꯑꯐꯪ-ꯑꯐꯪꯕꯥ ꯂꯧꯅꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯄꯗꯤ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯣꯅꯥ ꯌꯥꯗꯕꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯒꯤ ꯋꯥꯡꯃꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯆꯈꯔꯛꯄꯗꯥ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯊꯧꯒꯠꯄꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯅꯥ ꯆꯈꯔꯛꯄꯥ ꯂꯥꯟꯕꯨ ꯈꯨꯟꯖꯥ ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯔꯜ-ꯃꯊꯨꯃꯁꯤꯡ ꯉꯥꯛ-ꯁꯦꯟꯕꯁꯤꯕꯨ ꯄꯨꯂꯤꯁꯀꯤ ꯃꯊꯧꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯥꯏꯅꯦ? ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯨꯀꯤ ꯃꯤꯂꯤꯇꯦꯟꯇꯁꯤꯡ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯛꯄꯥ ꯂꯥꯟꯐꯃꯗꯥ ꯆꯡꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯟꯗꯨ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯍꯜꯂꯃꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯴ꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡꯗꯥ ꯆꯤꯡꯉꯥꯔꯦꯜ ꯇꯦꯖꯄꯨꯔꯒꯤ ꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯑꯥꯏ ꯑꯥꯔ ꯕꯤꯗꯒꯤ ꯌꯥꯜꯂꯕꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯔꯨꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯤꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯊꯣꯛꯂꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤꯗꯥ꯫ ꯈꯨꯠꯁꯨ-ꯈꯨꯠꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ, ꯒꯥꯔꯤ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ ꯃꯈꯜ ꯑꯃꯇꯇꯒꯤ ꯈꯨꯂꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡꯕꯨ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯍꯟꯗ꯭ꯔꯦ, ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯃꯔꯨ ꯱ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯀꯥꯞꯍꯟꯗ꯭ꯔꯦ, ꯄꯨꯂꯤꯁꯅꯥ ꯂꯣꯏꯅꯃꯛ ꯇꯧꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯔꯒꯗꯤ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯒꯥꯔꯤꯁꯤꯡ ꯂꯧꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯊꯣꯔꯛꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯥ ꯱꯰ ꯌꯧꯅꯥ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯥ ꯂꯥꯟꯁꯤꯗꯥ ꯈꯨꯜ ꯉꯥꯛꯄꯁꯤꯡ ꯁꯤꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯁꯤꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯈꯣꯌꯁꯥꯎꯅꯗꯨꯅꯥ ꯈꯥ ꯆꯤꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯉꯩꯗꯇꯥ ꯂꯣ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯛꯄ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯁꯥꯎꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣ ꯊꯨꯒꯥꯏꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯀꯅꯕꯥ ꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯏꯆꯦꯂꯗꯤ ꯂꯝꯃꯈꯥꯡꯗꯥ ꯊꯤꯡꯕꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯆꯦꯟꯊꯔꯛꯐꯃꯗꯒꯤ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅꯥ ꯊꯤꯡꯖꯤꯜꯂꯝꯂꯕꯗꯤ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤ ꯊꯣꯔꯛꯂꯝꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫

অশোকপা মফম্বু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইলেক্ট্রোনিক বেন্দেজ

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

করিগুম্বা খুদোংথীবা অমদগী হকচাংগী শরুক অমদা শোকপা পনবা হায়বসি ঐখোয়না থেংনদুনা লাক্লবনি। খরা হেন্না শাথীনা শোকপা মতমদদি ইনফেক্সন তৌরক্তনবা হীদাক চাবগা লোয়ননা শোক্লিবা মফম অদুদা হাপ্লিবা হীদাক, য়েৎলিবা বেন্দেজ অদু অমুক নৌনা হাপ্পগী মথৌ তাই, হায়বদি দ্রেসিং তৌবা তাই। দ্রেসিং তৌনবগীদমক হোস্পিটাল, ক্লিনিক নৎত্রগা অহৈবা মী অমগী মনাক্তা চৎপগী মথৌসু তাই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি লৈররোইদবা বেট্রি য়াওদবা ইলেক্ট্রোনিক বেন্দেজ অমা নোর্থৱেষ্টর্ন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন লূপ অমনা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি।

ইলেক্ট্রোনিক বেন্দেজ অসি অশোকপা মফমদুদা ফরকপগী চাংদু য়েংশিনবগা লোয়ননা রিএল-টাইমদা স্মার্টফোন নৎত্রগা টেব্লেট অমদা দেটা থাবসু ঙম্মী। অশোকপা মফম অদুনা মপূং ফানা ফরবা মতুংদা বেন্দেজ অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিংদু হকচাং মনুংদা অমাঙ-অতা থোকহন্দনা চুপশিনখি। নোর্থৱেষ্টর্নগী থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা বেন্দেজ অসি পীকই, কোম্থোক-কোনশিন য়াই, চিংথোকপসু য়াই; অদুনা অশোকপা মফম অদুদা ইলেক্ট্রোথেরাপিবু হকথেংননা পী অমসুং ফজিনবগী চাং থুহল্লি।

“সাইন্স এদভান্সেস” (ফেব্রুৱারী ২২, ২০২৩) দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, উচিশিংদা পাঙথোকখিবা ত্রাইএলশিংদা বেন্দেজ অসিবু শীজিন্নখিবা দাইবেটিস লৈরবা উচিশিংগী অশোকপা মফমশিংদা ফহল্লকখিবগী চাং অসি বেন্দেজ অসি শীজিন্নখিদবা উচিশিংদগী চাদা ৩০ থুনা ফহল্লকখিবা থেংনখি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা বেন্দেজ অসিনা লেপ্তুনা হিলিং প্রোসেসপুসু ত্রেক তৌখি অদুগা শোক্লিবা মফম অদুনা ফরবা মতুংদা উচিগী হকচাংনা ইলেক্ট্রোদশিং য়াওনা বেন্দেজ অদুবু মপূং ফানা চুপশিনখিবসু ঙম্বা থেংনখি। ইলেক্ট্রোথেরাপি পীবা ঙম্বা, হকচাং মনুংদা চুপশিনখিবসু ঙম্বা বেন্দেজ অসিনা দাইবেটিস নারবা মীশিংদা অশোক অপন য়াওরকপা মতমদা মখোঙ-মখূৎ ককপগী ফীভম লাকপা অমসুং শিবা য়াবা ফীভমশিংদগী কনবা ঙমগনি হায়না থিজিন-লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

নোর্থৱেষ্টর্নগী McCormick School of Engineering দা বাইওমেদিকল ইঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসরসু ওইরিবা Guillermo A. Ameer না হায়, “কনাগুম্বা মী অমদা অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা, অহানবা থল্লিবা পান্দমদি শোক্লিবা মফম অদুবু হেক ঙম্লিবমখৈ থুনা তাইশিন্নহনখিবনি। মরমদি তাইশিন্নদ্রিবা মফম অদু ইনফেক্সনগী মকোন ওইরকপা য়াই। অদুগা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংগী ওইনদি, ইনফেক্সনশিংসি লায়েংবদা হেন্না লুই অমসুং খুদোংথীনীংঙাইসু ওই। ঐখোয়না নৌনা পুথোরক্লিবা বেন্দেজ অসি কোষ্ট-ইফেক্টিভ ওইবগা লোয়ননা শীজিন্নবদা লায়, নুংঙাইতবা লৈহন্দে অমসুং শোক্লিবা মফম্বু থুনা ফজিনহল্লি।”

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৩০ রোমদি দাইবেটিসনা নাই অদুগা মখোয়গী মরক্তগী ১৫-২৫%দা মখোয়গী পুন্সিগী করিগুম্বা তাঙ্কক অমদা দাইবেটিক ফুট অলসরনা নারকই। দাইবেটিসনা নর্ভশিং শোকহল্লক্লবদি খোঙ-খূৎ ইশি-শিথবগুম্বা থোরকই, অদুনা দাইবেটিস লৈরবা মীশিংনা উনশাদা খজিক্তং কাফৎপা নৎত্রগা তৎপগুম্বা তৌরকপদা খঙহৌদবদগী লায়েংবীদবা য়াওই। গ্লুকোজগী চাং ৰাংলকপদুনা, কেপিলরি ৰালশিংবু থাগৎহল্লি, ঈগী ঈচেল তপথরকই, অদুনা অশোকপা মফমদুবু তাইশিন্নহনবদা হেন্না লুরকই। অদুনা অসিগুম্বা খজিক্তং শোকপা অসিনা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা অশোকপা মফম ওইরকপা য়াই।

থিজিন লূপ অসিনা অহানবদা ইলেক্ট্রিকল ষ্টিম্যুলেসন থেরাপিনা অশোকপা মফমশিংবু ফহনবা ঙম্ব্রা হায়বদু থিজিনবা পাল্লম্মী। অশোকপশিং অসিনা হকচাংগী নোর্মেল ইলেক্ট্রিকল সিগ্নেলশিংদা অয়েৎপা পী। ইলেক্ট্রিকল ষ্টিম্যুলেসন পীশিনবা মতমদা মসিনা হকচাংগী নোর্মেল সিগ্নেলশিংবু ফংহল্লকই অদুগা শোক্লিবা মফম অদুদা অনৌবা সেলশিংনা চঙলক্লবা ইথিল পীরকই। মরম অসিনা সেলশিংনা অশোকপা মফম অদুদা থুনা চেনশিল্লকই অমসুং মফমদুদা উনশাগী টিস্যুশিংবু নৌনা শেমগৎলকই। নৌনা শেমগৎলক্লিবা উনশাগী টিস্যুশিংদা অনৌবা ঈগী উতোংশিং য়াওরকই অমসুং ইনফ্লেমেসন্দুবু লাকশিন্দুনা থমখি।

ক্লিনিসিয়নশিংনা অশোকপা মফম্বু ফহন্নবগীদমক ইলেক্ট্রোথেরাপি শীজিন্নবসি হান্নদগী হৌরকখ্রবনি। অদুবু মদুদা শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিংগী অয়াম্বদি তারাশিংনা শমজিল্লবা অচৌবা মেছিনশিংনি, অদুগা মখোয়বু খঙ-হৈরবা অমগী মখাদা হোস্পিটালদা শীজিন্নবগী মথৌ তারম্মী। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অসি লৈতবা অমসুং য়ূমদা কনাগুম্বা অমনা হেক্তা শীজিন্নবা য়াবা পাম্বে অমা পুথোক্লবগীদমক Guillermo A. Ameer না John A. Rogers কা খূৎশম্নবা হৌরক্লম্মী। রোজর্স অসি কুমজা ২০১৮দা বাইওরিসোর্বেবল ইলেক্ট্রোনিক মেদিসিনগী ৰাখল্লোনবু পুথোরকখিবা বাইওইলেক্ট্রোনিক্স পাইওনিয়র অমনি।

মখোয় অনীনা লুচিংখিবা থিজিন লূপ অসিনা অশোকপা মফম অদুদা য়াম্না তপ্না নপশিনবা য়াবা, অপীকপা অমসুং কোম্থোক-কোনশিন য়াবা বেন্দেজ অমা শেমগৎপা ঙমখি। স্মার্ট রিজেনেরেটিভ সিষ্টম অদুগী নাকল অমদা ইলেক্ট্রোদ অনী য়াওরি : *শোক্লিবা মফমদুগী মনুং ইথং থংবা শরুক্তা থমগদবা অপীকপা লৈ অমগী মওং মানবা ইলেক্ট্রোদ (ময়ায়দা লৈরিবা ইলেক্ট্রোদ) অমসুং অশোকপা মফম পূন্নমকপু কোয়শিনবা ঙম্বা মশা শোক্ত্রিবা টিসুদা থমগদবা খুজি মওং মানবা ইলেক্ট্রোদ অমা* (মমি ১)। খূৎলায় অদুগী অতোপ্পা নাকল অদুদনা সিষ্টম অদুদা পৱার পীবা ঙম্বা এনর্জি-হার্ভেষ্টিং কোইল অমা অমসুং তারা য়াওদনা দেটা থাদোক-থাজিন ঙমহল্লিবা near-field communication (NFC) system অমা য়াওরি।

মখোয়গী সিষ্টম অসিদা ফগৎলকপগী চাংদুবু ফজনা য়েংশিল্লিবা সেন্সরশিংসু য়াওরি। অশোকপা মফমদুদা চেল্লিবা ইলেক্ট্রিক করেন্টকী অথিংবা অদুবু ওল্লগা ফিজিসিয়নশিংনা মোনিটর তৌবা ঙম্মী। ওল্লিবা করেন্ট অদুদা খজিক-খজিক হন্থরকপনা ফগৎলকপগী চাংদু হেনগৎলক্লি হায়বদু তাকই। মরম অসিনা চেল্লিবা করেন্টদু অদুম ৰাংদুনা লৈরবদি, ফিজিসিয়নশিংনা করিগুম্বা অশোয়বা অমা লৈরে হায়বা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা থবকশিংসি ওনবদা তরাগী মথৌ তাদে। ফনা লাপ্পা মফম অমদগী ফাওবা ফিজিসিয়ন অমনা ইলেক্ট্রিকল ষ্টিম্যুলেসন্দু করম্বা মতমদা তৌহনগদগে হায়বদু লেপ্পা ঙম্মী অমসুং অশোকপা মফমদুনা ফগৎলকপগী চাংদু মোনিটর তৌই।

অশোকপা মফম অদুনা পুংফ ফরবা মতমদা লৈগী মওং মানবা ইলেক্ট্রোদ হায়বদি হকচাংনা কুপশিনখ্রবা শরুক অদুখক্তমক হকচাং মনুংদা অদুম তুমজখি, অতে শরুকশিংদি হকচাংগী মপান্দা লৈহৌবনিনা অদুম লৌথোকপা য়াই। থিজিন লূপ অসিনা ইলেক্ট্রোদশিংদু মোলিবদেনম হায়রিবা ধাতু অদুনা শাবনি। মোলিবদেনম অসিনা অসুক্কী মতিক পারবদি মখোয়সি বাইওদিগ্রেদেবল ওই অমসুং ধাতুসিনা ফগৎলকপগী থৌওংদা অকায়বা পীদে হায়বসি লূপ অসিনা খঙলকখি। অমীরনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না থা তরুকমুক্কী মতুংদা ধাতু অসি তুমখিবা ঙম্মী, অদুগা হকচাংগী কয়াৎশিংদা খজিকখক্তমক তুংশিন্দুনা লৈহৌবনা, ধাতুসিনা অরুবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লোই হায়বসিদা চিংননীংঙাই ওইদে। মতৌ অসুম্না লৈ- মওং মানবা ইলেক্ট্রোদ অদুনা তুমখি।

মসিগী মখা তারকপদা থিজিন লূপ অসিনা হেন্না চাওবা এনিমেল মোদেল অমদা দাইবেটিক অলসরশিংগী বেন্দেজ ওইনা চাং য়েংনবগী থৌরাং তৌরি। মসিদা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি মখোয়না মীওইবদা চাং য়েংগনি। বেন্দেজ অসিনা হীদাকশিং নৎত্রগা বাইওলোজিক্স থাদোরক্তনা হকচাংগী লৈজরিবা হিলিং পৱারবু শীজিন্নবনিনা রেগুলেটরি হর্দলশিং ইরৈ লৈতে। মসিনা তাক্লিবদি অসিগুম্বা সিষ্টম অসি কৈথেলদা থুনা উবা ফংলগনি হায়বসিনি। ●

ফাইরেল থাসু লোইশিল্লক্লে, লমতা থানা থোঙজিন্দা লেপ্লরে

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

লোইবা নাইদে মণিপুর ষ্টেট অসিগী ৰাথোক। কনাগুম্বা খরদি নোক্লম্ববু য়াই, কপ্লম্ববু য়াই। মী-মীদুগী মখা পোনবা হায়বদুনি। মীতৈ মচাগা কুকি মচাগা লান তৌহনবদা কনাগী খূৎ য়াওই-য়াওদে তোক্লগা নাকল অনীম্কী চহী লিশীং অহুম হেন্না লৈবাক অসিগী লৈহৌমী ওইদুনা লাক্লবা পাথাং য়ৈনা পন ঙাক্লক্লবা, পুথাং য়ৈনা লৈঙাক থৌদাং লৌরক্লবা মীতৈগা কুমজা ১৮৩০/৪০দা মরুপ মপাং ওইনা নৎত্রগা করিসু হীরম অমা নৎত্রগা অমদা মতম অদুগী লৈঙাক্কী মখাদা শৈদাংলকপা কুকিশিংনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন শেমজিন্দুনা ৰাহে কয়া পুৰারীবু শেমজিন শাজিল্লগা পুথোকপা মতমদা য়েংদুনা লৈথোক্লুবগী চুরকপা মৈগী মৈশা মৈৰাইরক্তবসু নত্তে। শেমজিন শাজিনবা এঙলো কুকি ৰার হায়জিনবা, এঙলো কুকি ৰার গেট শাহনবা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম হায়দুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌহন্দুনা মদুগী মমিং অদু মণিপুরগী খঙবা হৈবা কয়ানা খন্নবা-নৈনবা মতমদা মমিং অদু পুথোক-পুথোক্তুনা ঙাঙহনবা, মীতৈ, কবুই, মাও, মরিং, তাঙ্খুল, মরাম কয়া অসিদগী কুকি হায়বা চহী ২০০ শুদ্রিবশিংনা হেন্না ইন্দিজিনস শাদুনা ঙাঙবা-শকপা ঐখোয়গী লোন্দা হায়রগা লৈহৌমী অসি কুকিনা হেন্না ইন্দিয়া শিনবা থুংনা আই টি এল এফকী লেটর হেদনা ৰাই চাইহনবা মীতৈ কুমশিং কয়াদগী কুমওন লিশীং অহুমদগী খুন্দা লৈতামিন্নরক্লবা কবুই, মাও, মরিং, মরাম, তাঙ্খুল কয়ানা নাকন্দা থৈদোক্লবা মখোয়গী লেটর হেদ অসিনা লৈহৌমীবু ইক্লিপস ওইনবা লেপ্পা নাইদনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংগী মনুংদসু অমা ওইরিবনি।

কাঙলূপ-ফূরুপ অসিগী লাইরিক লাইশু ফনা ফজনা হৈবা য়াওদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন দা য়াওদুনা অৰাংবা থাক্কী ফম কয়া পায়বা কয়া য়াওদবা নত্তে। অরানবনা কনানো, অচুম্বনা কনানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবা ঙাক্তনি। খঙশিন্নদবনা ৰাফম অমনি, তূমদনা তূমশিন্নবনা ৰাফম অমনি। তূমশিন্নবদি ফনা য়াম্না কৌরবসু তাররোই। ফনা খঙলবসু খঙশিন্নররোই। ইন্দিয়া লৈঙাকসু করিগী খঙলোই, পুক কংবনা হকচাং ফবা শকপা, লাউবা কনবনা অচুম্বা শাবা, ফরবসু ফৎত্রবসু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা য়ানীংবা-য়ানীংদবনা অমা ওইরগা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পূন্না মীয়ামগী পূন্সি, লন-থুম, নাৎ-কলচর পূন্নমক ঙাকপী শেনবীগনি হায়দুনা য়ানবা অমগী মখাদা মণিপুরী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোনগী মখাদা হৌখিবা চহী ৭৫ অসি লাক্লবনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগীনা ঙসি ফাওবদা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রে, লন-থুম কয়া মাঙ তাকখ্রে, মহৈরোয় কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রে, নহা কয়ানা মরৈবাক মরমদম কন্নবা হোৎনবদা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ ওইদুনা তুমিৎ-কাং, নোংজু-নুংশা কয়া অমা মায়োক্লরিবা লাইবক থীবা কয়ানা পূন্সি কয়া কন্নবা হোৎনবদা থৰায়না পোন্থা পীরিবা। পলেম শকপী কয়া, ইচেম ওইবী কয়া, ইচল ওইবী অমদি ইমোমগা পাঙ্খক ওইবীশিংনা কোক্তা কোকশেৎ, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ শেৎলগা পারি ইমোমশিংবু ঙাক শেনবদা নত্তনা খা নোংপোক এসিয়াগী মনুংদা লৈবা অপীকপা ফূরুপ ওইজরবসু মতিং লৈনা চহী লিশীং কয়াগী পুৰারী লৈনা লৈঙাক থৌদাং লৌরকপা মরমদম কন্নবা হোৎনবদা অহিং মিৎশেল খাঙলিবী পারি চাওদা নাওয়োক্লিবী , ইমোম শাঙদা নাওকোল্লিবী পূন্নমক্না ৰারিবা পূন্নমক ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোইনা করিগী তূমিন্না লৈশিনফম থোকপগে?

কুইরেনা লৈবাক অসিগী মনুংদা থোকপা থবকপু মীরৈবাক মচা নারোন্দা চঙশিল্লকপা কয়ানা মীবু মী ওইনা লৌদবা, মীবু তমথী-তমথীনা ওৎ নৈরগা হাৎখিবদু ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১৪০ হেনবা মীয়ামগী মফমদা য়ৌরমগনি, তারমগনি, উরমগনি। মচা নিঙোল পোকপী-পোকপা কয়ানা শোয়দনা ফাওরমগনি মদুগী থৌদোক অদুগী চৈনাদু। মদুগুম্বা কয়াদু মালেমগী মফম অমত্তদা থোক্তবা ওইসনু। ঙসি ঐখোয় মশেল মরক্তা থোক্লিবসি লান হায়গেরা, কম্যুনেল রাইওট হায়গেরা মীতৈনা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপালদা চঙবা য়াদবা, কুকিশিংনা মীতৈনা মরু ওইনা খুন্দারিবা তম্পাক লমদমদা লংজখিবা, লানখিবা খোঙথাংনা খোঙদারকপা ঙমজদবা, মশাদা থাজবা মাঙখ্রবশিংনা থা ১০গী মনুং অসিদা ষ্টেট অমদি সেন্টর অনীনা ৰারোইশিন পুরকপীদনা থম্বা অসিদি পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি।

পাকিস্টান-ইন্দিয়াগী, ইন্দিয়া-চাইনাগী ৰাথোক নত্তে। ন্যু দেল্লীদগী য়েংলকপদা মমিৎ লিশীং লিশীং পানবা কাঙবুনা কনানা লাল্লি, কনানা চুম্মী, মফম অসিদা স্বিচ নল্লবদি মৈহৌরিবসি মুৎখিগনি হায়বা লোইনা খঙলমগনি। চুড়াচান্দপুরগা বিষ্ণুপুরগা তাইনবদা থোক্লিবা, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকা চুড়াচান্দপুরগা তাইনবদা থোক্লিবা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকা তাইনবদা থোক্লিবা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী শরুক খরদা থোক্লিবা পূন্নমক অসি ইন্দিয়াগী মনুংদনি। লান খান্বা হৈবীয়ু, লান য়েংবীগনু। মীতৈসু ইন্দিয়াগী সিটিজননি। ঙসি মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চন্দুনা পূন্সি, লন-থুম, নাৎ-কলচর, ঙমখৈ পূন্নমক ঙাক শেনগনি হায়বদুসু মমাঙ লৈঙাক্লা তৌরম্বনি ঐখোয় খঙদে হায়বীগদৌরিবরা?

ফাইরেন থাগী থামৈ য়ৌশিল্লক্লে। শিব পুজাগীদমক হিন্দু ধর্ম্মগী পাঙ্গল্লবা শ্রীমহাদেবগী পুজা শিবরাতি য়ৌরক্লে। চৎখিনি লোইখিনি পূন্নমক মতমগী ঈচেলনি কনানসু খামদুনা থম্বা ঙল্লোই। পূন্সি চূপ্পা মন্ত্রি ওইগে, পূন্সি চূপ্পা নুংঙাইবখক্তা ইশরুক ওইগে, অৰা নুংঙাইতবা পূন্নমক মীগী ওইসনু খনবা খলহৈদবনি। মীসু হিংজসনু, ঐসু হিংগে খনবীয়ু। সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী থৌদাং লৈবা পূন্নমক্কা লান লোইশিনহনবীয়ু, লান লেপহনবীয়ু।

লমতা থাগী মতমনা থোঙজিন্দা লেপ্লরে। লমদম অসিগী নাৎ-কলচর কয়াগা লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা কয়া, নুপীমচা কয়ানা হরাও মথোই কাজ থানি। শান্তি লৈত্রবা ঈরাং অসিনা অকি তুজুং পোক্লগা কনাগী মচা মশুশিংনা হরাওবা, নুংঙাইবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা লান তৌরবসু, ঈশিং চাউরবসু, মৈগী চীং পোকখায়রবসু, য়ুহার হাদুনা লন-থুম পূন্নমক মাঙ তাক্লবসু শূদবা য়াদে, নোমদবা য়াদে। মরমদি হিংলিবা পূন্সিদা চাদবা য়াদে, শেৎতবা য়াদে। ঙসি ঙসিমক চহী ৭০/৮০ শুরবা মীওইশিংনা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা থেংনরিবা লানসিনা পূন্সি কয়া মাঙলিবা, লন-থুম কয়া উৎ, তাঙ্গৈই ওইহল্লিবা অসিনা অহানবা ওইগনি। জপান লানবু উহৌবা খুরা মাঙ্গোলজাও ফাওবনা থেংনজরক্ত্রি ইবুংঙো হায়দুনা পাউদম্বীরকখিবা লৈখ্রে।

লৈঙাক্লিবা-লৈঙাক্লিবী সেন্টর অমসুং ষ্টেট অনীমক্না লিনসু শিসনু, চৈশুসু তেকহনবীগনু মদুনা ৰারোইশিন অমা পুবীরকউ। নত্তদুনা চৎলিবা চহীসিগী মে ৩ নুমিৎ অদুদা কুকি লমহেনবশিংনা চহী অমা মপূং ফানা ঐখোয়গী লমদা মীতৈ মচা অমা ফাওবা খোঙদাহনবা ঙমহন্দবগী এনিভর্সরি পাঙথোকপা অদুদি লৈঙাক মপুশিংনা মুন্না ৰাখল তৌদুনা তাবসু তাহনবীগনু, উবসু উহনবীগনু। হে লৈঙাক মপূ ইবুংঙো, ইবেন্মা পূন্নমক মদুগী মহুত্তা ফাইরেন থানা থম্বীরল্লবা লমতা থানা লাকপদা ইচা ইশুশিংনা হরাউ নুংঙাইবদু য়েংমিন্নসি ঐখোয় পূন্না। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’
(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১১৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

য়েনবা চরাং হুইমৈ কক। য়েনবু য়েনশেমনা। হৈকক নারেং শানা। হৈকক নারেং পোলচেম শানা শেমনা হাপ। ঙমু তারা কৎনা। য়াহৌ নিংথৌ চনু নিংঙোল। নিংনা কৈতানবী। নোংবাললোল নোংমোইনু অহোংবীনা। কোরৌ অৰাংবা লমদগী। মরাল লুহোঙ খোঙদোং কুমলকওঁে। মোংবা শঙগাই মাঙ। চীঙশোং ফাললং ফমবালথকতা। লৈরেল লৈজাও লৈতেংনা। লাংমৈ মতু পুঙলেল চীন। শমমৈ শমদোল য়োম। থবাক ঙৈথোমনা। খুদোল খুদাং থেকনা হাপনা। লাংমৈ মতোল নেমনেম থেকনা। নৌনা নোয়। ৰাহোং মৈপুঙ নোয়গুম নোয়। খূৎথেক নোয়না জগোই শাবদি। খোঙশিং লৈফুল লৈহৌনা। জগোই শাখিবা। নোয়না জগোই শাহৈবী। খোঙশিং লৈফুল লৈহৌনা। জগোই শাখিবা। নোয়না জগোই শাহৈবী। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯱꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯌꯦꯟꯕꯥ ꯆꯔꯥꯡ ꯍꯨꯏꯃꯩ ꯀꯛ꯫ ꯌꯦꯟꯕꯨ ꯌꯦꯟꯁꯦꯝꯅꯥ꯫ ꯍꯩꯀꯛ ꯅꯥꯔꯦꯡ ꯁꯥꯅꯥ꯫ ꯍꯩꯀꯛ ꯅꯥꯔꯦꯡ ꯄꯣꯜꯆꯦꯝ ꯁꯥꯅꯥ ꯁꯦꯝꯅꯥ ꯍꯥꯞ꯫ ꯉꯃꯨ ꯇꯥꯔꯥ ꯀꯠꯅꯥ꯫ ꯌꯥꯍꯧ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯅꯨ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ꯫ ꯅꯤꯡꯅꯥ ꯀꯩꯇꯥꯟꯕꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜꯂꯣꯜ ꯅꯣꯡꯃꯣꯏꯅꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕꯤꯅꯥ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ ꯂꯃꯗꯒꯤ꯫ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯨꯍꯣꯡ ꯈꯣꯡꯗꯣꯡ ꯀꯨꯃꯂꯛꯑꯣꯡꯦ꯫ ꯃꯣꯡꯕꯥ ꯁꯡꯒꯥꯏ ꯃꯥꯡ꯫ ꯆꯤꯡꯁꯣꯡ ꯐꯥꯂꯂꯡ ꯐꯃꯕꯥꯜꯊꯛꯇꯥ꯫ ꯂꯩꯔꯦꯜ ꯂꯩꯖꯥꯎ ꯂꯩꯇꯦꯡꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯩ ꯃꯇꯨ ꯄꯨꯡꯂꯦꯜ ꯆꯤꯟ꯫ ꯁꯃꯃꯩ ꯁꯃꯗꯣꯜ ꯌꯣꯝ꯫ ꯊꯕꯥꯛ ꯉꯩꯊꯣꯝꯅꯥ꯫ ꯈꯨꯗꯣꯜ ꯈꯨꯗꯥꯡ ꯊꯦꯛꯅꯥ ꯍꯥꯞꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯩ ꯃꯇꯣꯜ ꯅꯦꯝꯅꯦꯝ ꯊꯦꯛꯅꯥ꯫ ꯅꯧꯅꯥ ꯅꯣꯌ꯫ ꯋꯥꯍꯣꯡ ꯃꯩꯄꯨꯡ ꯅꯣꯌꯒꯨꯝ ꯅꯣꯌ꯫ ꯈꯨꯠꯊꯦꯛ ꯅꯣꯌꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯗꯤ꯫ ꯈꯣꯡꯁꯤꯡ ꯂꯩꯐꯨꯜ ꯂꯩꯍꯧꯅꯥ꯫ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯈꯤꯕꯥ꯫ ꯅꯣꯌꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯍꯩꯕꯤ꯫ ꯈꯣꯡꯁꯤꯡ ꯂꯩꯐꯨꯜ ꯂꯩꯍꯧꯅꯥ꯫ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯈꯤꯕꯥ꯫ ꯅꯣꯌꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯍꯩꯕꯤ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।